# মীওই খরনা মণিপুরী পোনিবু অতম্মনা হাৎনবা হোৎনরে : এম পি পি এন্দ পি দল্লিয়ু এ



ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচএনএস):

মালেমদা মশক তাক্লিবা শগোল কাংজৈ (পোলো) গী হৌরকফম ওইরিবা মণিপুরদা ঙসিদি শগোল কাংজৈবু শান্নবদা শীজিন্নরিবা মণিপুরী পোনি (মৈতৈ শগোল) গী মরাইবক নোংমা-নোংমগী অকিবা ফীভমদা লৈশিল্লক্লি।

থা অসিগী ২৪দা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ইকোপ পাৎতা পুন্দুনা থন্বা শগোল অনী মমিৎ থুগাইরম্বা অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী এন আই টি গেট লম্ফেলদা শগোল অমা গাড়ীনা থোমজিনবীরমদুনা মখোঙ থুদেক্লম্বা থৌওং অসি মৈতৈ শগোল অসিবু অতম্মনা হাৎনবা হোৎনরে হায়না মণিপুরী পোনি এন্দ পোলো প্লেয়রস ৱেলফেয়র এসোসিএসন (এম পি পি এন্দ পি দল্লিয়ু এ) না অকনবা মওংদা কন্দেম তৌবগা লোয়ননা পেন্দবা ফোঙদোকপগী চেরোল প্রেসতা থাদোরক্লি।

ইন্দিয়াদা লৈরিবা মশীং য়ামদ্রবা অহিংবা জিব মখল মঙাগী মনুংদা চল্লিবা মণিপুরী পোনি অসি ঙসিদি মালেমগী লৈমায়দগী মুৎখিবা য়ানা লৈরে হায়রি।

মহৌশাদগী হৌনা শগোলশিং অসিনা চাক্তাজরম্বা অমদি চেনচোঙদুনা শান্নজরম্বা মফমশিং অয়াম্বা লৈশিল্লক্রে। লমহাং কয়া ঙসিদি মীওইবগী চাওখৎপগী মীংদা লৈঙাক্কী ওফিস, হোস্পিটাল, ফেক্টরি, স্কুল, ইন্দষ্ট্রিয়েল সাইট অমদি য়ূম-কৈনচিংবা কয়া শাজিনখিবদগী ঙসি শগোলশিং অসিগী চাফম অমসুং লৈফম লৈত্রে।

চাফম লৈতবনা মরম ওইদুনা ঙসিদি শগোলশিং অসি লন্থী সরক্তা থোরক্লে, অমোৎ অকায় হুন্দোকফমদা চাক্তারক্লে। চাফম লৈতবা, ফুদ পোইজনিং ওইবা, তীল-কাং, তিনফা-কাকফৈ, লায়না-তীলনা অমদি অতৈ মরম কয়াদগী নোংমা নোংমগী শিবনা মশীং হেল্লবা মণিপুরী পোনি ওইরক্লে।

শগোল মশামথন্তা ফাওবদা হিংবদা ৱারবা ফীভম অসিদা মীওইবগী থম্মোয় পান্দবা শাদগীসু হেন্না তমথীবা ৱাখল চেনবা মীওই খরনা শগোলশিং অদু হাৎননবা হোৎনখিবনি। শগোলশিং অসিদা চথরম্লিবা থবক অসি করম্বা ৱাখল্লোন্দগীনো। তাঙলবা মণিপুরী শগোলবু অতম্মনা মাঙহনগে হায়দুনা হোৎনরিব্রা হায়না এসোসিএসন অসিনা হংলক্লি।

লৈঙাক অসিনা হীরমসিগী মতাংদা মীৎয়েং চঙবীদুনা মরাল লৈবা মীওইশিং চপ চাবা চৈরাক পীবিয়ু অমসুং মণিপুরী পোনি অসি কন্নবা অকনবা থৌরাংশিং লৌখৎপীয়ু। শগোল কন্নবা শেমখিবা মণিপুরী পোনি কঞ্জার্বেসন এন্দ দিভলপমেন্ট পোলিসি ২০১৬ ঙসি ফাওবা থবক পায়খৎতনা লৈরি। মসি অথুবদা লৈঙাক অসিনা চৎনহনবীয়ু হায়না এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

মরক অসিদা, এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী পোলো শান্নরোয়সু ওইরিবা খাঙবোক খুল্লাকপা মনীং লৈকায়দগী এলাংবম অমরজিৎ মীতৈ অমসুং চাউবা অনীগী শোক্তুনা লৈরিবা শগোলশিং অদুদা লায়েংনবা শেলগী অমদি হীদাক লাংথকশিং মতেং পীখ্রে।

# টেনিস শান্নরোয় রোহন বোপানানা রেনিস স্কোলরসিপ প্রোগ্রাম হৌদোকখ্রে, অঙাং ৬০ স্পোন্সর তৌরগনি



বেঙ্গালুরু, মে ২৬ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী টেনিসকী নুপাগী দবলসতা মমিং লৈরবা শান্নরোয় অমা ওইরিবা রোহন বোপানানা ঙসি রেনিস স্কোলরসিপ প্রোগ্রাম লোঞ্চ তৌখ্রে। হায়রিবা প্রোগ্রাম অসিদা টেনিস অমসুং একাদেমিক এদ্যুকেসন য়াওনা পূন্না চহী অমদা লুপা লাক্ষ ১০গী শেনফম ওইরগা অঙাং ৬০দা মতেং পীগদৌরি।

বেঙ্গালুরুদা রোহন বোপানা টেনিস একাদেমি অমসুং দি স্পোর্টস স্কুলগা খূৎশম্নরগা স্কোলরসিপ প্রোগ্রাম অসি পাঙথোক্কদৌরিবনি। হৌরকপদা চহী ১২ মখা, চহী ১৪ মখা অমসুং চহী ১৬ মখাগী শান্নরোয়শিংনা স্কুল অসিগী ৱেবসাইটকী খূত্থাংদা স্কোলরসিপকীদমক এপ্লাই তৌবা য়াগনি হায়রি।

প্রোগ্রাম অসি লোকদাউন লোইরবা মতুংদা শান্নরোয়শিংবু স্ক্রিনীং তৌরবা মতুং খনগৎলবশিং অদুনা রেসিদেন্সিএল প্রোগ্রাম অসিদা শরুক য়াবা য়াগদৌরিবনি।

রোহন বোপানানা ওনলাইনদা পাঙথোকখিবা প্রেস কনফরেন্স অমদা ফোঙদোরকপদা মহাক্না নহা ওইরিঙৈদা ফংখিদবা খুদোংচাবশিং অদু হৌজিক লৈরিবা থৱায় য়াওবা টেনিস মশান্নদা করিয়র শেম্বা পান্বশিংগীদমক্তা খুদোংচাবা পীগনি। মসিনা ইন্দিয়াগী টেনিসতা চাউনা অহোংবা অমা পুরকপা ঙমগনি হায়না ফোঙদোকখি।

শান্নরোয়শিং অসিগী মমা-মপাশিংনা মহৈ-মশীন তম্বগী মতাংদা চিংনবা লৈবা অদু কোক্ন বা টেনিস মশান্না অসি ত্রেনিং ফংনা ফংনা লাইরিক্কী শরুক অদুসু য়াওহনবনি হায়খি।

অহানবা চহীদা ওল ইন্দিয়া টেনিস এসোসিএসনগী রেঙ্কিং ফংলবা শান্নরোয়খক্তনা স্কোলরসিপ অসিগীদমক এপ্লাই তৌবা য়াগনি হায়রি।

কেটেগোরি অহুম থোক্না লৈরিবা প্রোগ্রাম অসিদা অঙাং ২০/২০না কেটেগোরি অমদা শরুক য়াবা য়াগদৌরি। স্কোলরসিপ প্রোগ্রাম অসিনা মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা প্রোগ্রাম ওইগনি হায়নসু মহাক্না থাজবা ফোঙদোকখি।

নহা ওইরিবা শান্নরোয় ৬০দা চাদা ১০০গী স্পোন্সরসিপ অমুক্তদা পীবা লৈরোই। চাওখৎলবা য়ু এস এগী কোলেজ টেনিস প্রোগ্রামশিং ফাওবদা স্পোন্সরসিপ অসি চাদা ৭০ নৎত্রগা ৮০ পীরিবনি।

সেন্টর অসিদা কোচ তরুকনা অঙাংশিং অসিদা তাকপী তম্বীগনি। লোয়ননা ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলসকী নম্বর ৱান শান্নরোয় ওইরিবা প্রজনিস গুনেশ্বরনগী কোচ ওইরিবা বালাচন্দ্রন মনিকাটনা হেদ কোচ ওইগদৌরি। হেদ কোচ বলাচন্দ্রননা ফোঙদোরকখিবদা, স্কোলরসিপ প্রোগ্রাম অসিদা খনগৎলবা শান্নরোয়শিং অদুবু কূপ্না য়েংশিনগদৌরি। করিগুম্বা শান্নরোয়শিং অদুনা পীরিবা ষ্টেন্দর্দ অদু য়ৌরক্তবদি মহাক্কী মহুত্তা অতোপ্পা শান্নরোয় অমনা মহুৎ শিনবগী খুদোংচাবা অদু থল্লি।

স্কোলরসিপ প্রোগ্রাম অসিদা খনগৎলবা শান্নরোয়শিং অদুনা নুমিদাংদা শান্নবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈরবা কোর্ট তরেৎতা ন্যুত্রিসনিস, দাইটেসিয়ন, ফিজিওথেরাপিষ্ট অমসুং স্পোর্টস সাইকোলোজিষ্ট য়াওনা ত্রেনিং পীগদৌরিবনি।

ওল ইন্দিয়া টেনিস এসোসিএসন্না চহী খরগী মমাঙদা দেল্লি লোন টেনিস এসোসিএসন্দা সেন্টর ওফ এক্সিলেন্স হাংদোক্লবা হোৎনখিবা অদু মহয় য়ান্দনা লৈরি।

লৈঙাক্কী মতেং য়াওদনা বোপানানা হাংদোক্কদৌরিবা রেনিস স্কোলরসিপ প্রোগ্রাম অসিদা হৌরকপদা ঙাইরিবা শান্নরোয়শিংনা লুপা লাক্ষ ৬.৪, ইন্টরমেদিএটতা লৈবা শান্নরোয়শিংনা লুপা লাক্ষ ৮ অমসুং এদভান্স লেভেলদা লৈরিবা অঙাংশিংনা লুপা লাক্ষ ১০গী শেলগী ফী পীরগা শরুক য়াবা য়াগনি। ক্লাস টেন ফাওবদা লৈবশিংনা সী বি এস ঈগী সেলেবসতা লাইরিক তমহনগনি। অদুগা ক্লাস এলেভেন অমসুং টুয়েল্ব ষ্টৈন্দর্দকীনা কর্ণাটকা ষ্টেট বোর্দ সেলেবসতা তমহনগদৌরি।

# ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী ক্লব বোর্নমাউটকী গোলকিপর আরোন রামসদেল কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে

লন্দন, মে ২৬ (এজেন্সী): ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী ক্লব অমা ওইরিবা বোর্নমাউটকী গোলকিপর আরোন রামসদেলনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না মহাক অনীশুবা রাউন্দগী টেষ্টিং তৌবদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়না মশামক্না ফোঙদোকচখ্রে।

আরোন রামসদেলনা অহানবা মেচকী টেষ্ট তৌবদা নেগেটিভ ওইখ্রবা মতুং নুমিৎ হুমনি লৈরবা মতুংদা অনীশুবা রাউন্দগী টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইরকপনি।

পনবা য়াবদি, প্রেমিয়র লীগ ক্লব অসিনা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোঙদোকখিবদা ক্লব অসিগী শান্নরোয়শিংগী মনুংদা অমা পোজিটিভ ওইরে অদুবু মশক মমিং তাকথোকখিদবনি।

আরোন রামসদেলনা লন্দন্দা ফোঙবা মমিং লৈরবা পাউচে অমগা উনবদা ফোঙদোকখিবদা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা মহাক্কী টেষ্ট অদু নেগেটিভ ওইরকপা মরম্না সুপর মার্কেট চৎপা অমসুং কারগী থাও হানবনচিংবা থবক থৌরম কয়া তৌখি। অদুবু অনীশুবা রাউন্দগী টেষ্ট তৌবদা মহাক পোজিটিভ ওইরকপনি।



প্রেমিয়র লীগকী মায়কৈদগী ক্লবশিংনা লোকদাউননা মরম ওইরগা ত্রেনিং তৌবা য়াদনা লৈরকখিবা অদু শান্নরোয় মশীং য়ামদনা প্রেক্টিশ সেসন চথবগী অয়াবা অদু সোসল দিষ্টেন্সিং থম্বগা লোয়ননা অতোপ্পা ক্লবশিংগী শান্নরোয়শিং পূম্নমক অয়াবা পীরকপনি।

ত্রেনিং চথরিঙৈ মনুংদা মশাগী চহী ২২শুরবা বোর্নমাউটকী গোলকিপর আরোন রামসদেল কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী নুমিৎ তরেৎনিগী ওইবা সেল্ফ আইসোলেসন চথগদৌরি। মহাক পোজিটিভ ওইরবসু করিগুম্বা লায়ওং অমত্তা উৎথোকপা লৈতে।

প্রেমিয়র লীগকী মায়কৈদগী পীরকপা অকনবা চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুংদা ক্লবশিংগী ত্রেনিং গ্রাউন্দদা শান্নরোয় অমদি সপোর্ট ষ্টাফশিং পূম্নমক চয়োল অমদা কোভিদ-১৯ টেষ্ট অনীরক অনীরক পাঙথোক্কদৌরি।

বুন্দেসলিগা ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# এফ সী কোন অমসুং ফোর্টুনা দুসেলদোর্প ২-২দা দ্রো চৎখ্রে, বেয়র্ন ম্যুনিকনা পোইন্ট ৬১ ফংলগা মাঙজিল থারি



বর্লিন, মে ২৬ (এজেন্সী):

জর্মনিদা পাঙথোকপা বুন্দেসলিগা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টকী শান্নখিবা ২২শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা এফ সী কোন অমসুং ফোর্টুনা দুসেলদোর্প পাঞ্জল ২-২ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে। লীগ অসিদা মমাঙগী চেম্পিয়ন বেয়র্ন ম্যুনিকনা পোইন্ট ৬১ ফংলগা টিম ১৮গী লম্বা অসিদা মকোক থোংনা চৎলি।

এফ সী কোন মমাঙগী মেচ ২৬ শান্নখিবদা পোইন্ট ৩৩ ফংলগা ১১শুবা পোজিসন্দা লৈখি। অমরোমদা ফোর্টুনা দুসেলদোর্প পোইন্ট ২৩ ফংলগা ১৬শুবা পোজিসন্দা লৈরম্বনি।

মেচ অদুগী হৌরকপা অহানবা হাফকী অয়াম্বা মতমদা টিম অনীমক পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লম্বা মান্নখি। শান্নবগী ৪১শুবা মিনটতা ফোর্টুনা দুসেলদোর্পকী মায়কৈদগী পুশিল্লকপা বোল অমদা ষ্টিবেন স্কর্জিপস্কিনা খাইদোরকপদা টিমমেট কেনন করামাননা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা অহানবা হাফ অদু মথোয়না এফ সী কোনবু ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নরকপা মিনট ১৪ চঙশিল্লকপদা এফ সী কোনগী মায়কৈদগী পেনালটি অমা মার্খ উটনা চনবা ঙমহৌদবদগী ইক্কেলাইজর ওইরম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমা মাঙজখি। শান্নবগী ৬১শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা ফোর্টুনা দুসেলদোর্পকী মায়কৈদগী অমুক হন্না ষ্টিবেন স্কর্জিপস্কিনা পাস পীরকপা বোল অমা টিমমেট ইরিখ থোমিনা চন্দুনা ২-০দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

পাঞ্জল অনী শোথরবা এফ সী কোনগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনদুনা ফোর্টুনা দুসেলদোর্পকী মায়কৈদা এটেক কয়া চথরকখি। মেচকী ৮৮শুবা মিনটতা টিম অদুগী মায়কৈদগী দোমিনিক দ্রেসলরনা পীরকপা পাস অমদা টিমমেট এন্থোনি মোদেষ্টৈনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা স্কোর বোর্দতা ১-২দা লৈখি।

শান্নবগী অপীবা মতম মিনট ৯০ য়ৌশিল্লকপদা এফ সী কোনগী মায়কৈদগী দোমিনিক দ্রেসলরনা পীরকপা পাস অমদা টিম অদুগী অতোপ্পা শান্নরোয় জোন কোর্দোবানা ইক্কেলাইজর অদু চল্লগা পাঞ্জল ২-২দা লৈরগা মেচ অদু দ্রো চৎখি।

লীগ অসিগী ওইনা রাউন্দ ২৭ শান্নবা লোইশিনখি। কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা লোকদাউননা বুন্দেসলিগাগী রাউন্দ ২৫ লোইশিল্লগা থা ২ রোম লেপ্লুরবা মতুং মখা চথরকপনি। মমাঙগী চেম্পিয়ন বেয়র্ন ম্যুনিক্না মেচ ২৭ শান্নবদা পোইন্ট ৬১ ফংলগা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি। বোরুসিয়া দোর্টমুননা চপ মান্নবা মেচ মশীংদা পোইন্ট ৫৭ ফংলগা অনীশুবা পোজিসন্দা অদুগা রাসেনবোলস্পোর্ট লেবজিকনা পোইন্ট ৫৪ ফংলগা ৩শুবদা লৈরি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | FC Bayern München | 27 | 19 | 4 | 4 | 80 | 28 | 52 | 61 |
| 2 | Borussia Dortmund | 27 | 17 | 6 | 4 | 74 | 33 | 41 | 57 |
| 3 | RasenBallsport Leipzig | 27 | 15 | 9 | 3 | 68 | 27 | 41 | 54 |
| 4 | Bayer Leverkusen | 27 | 16 | 5 | 6 | 52 | 32 | 20 | 53 |
| 5 | Borussia Mönchen | 27 | 16 | 4 | 7 | 53 | 34 | 19 | 52 |
| 6 | Wolfsburg | 27 | 10 | 9 | 8 | 36 | 33 | 3 | 39 |
| 7 | Freiburg | 27 | 10 | 7 | 10 | 35 | 37 | -2 | 37 |
| 8 | Schalke 04 | 27 | 9 | 10 | 8 | 33 | 43 | -10 | 37 |
| 9 | Hoffenheim | 27 | 10 | 6 | 11 | 36 | 47 | -11 | 36 |
| 10 | 1. FC Köln | 27 | 10 | 4 | 13 | 43 | 49 | -6 | 34 |
| 11 | Hertha BSC | 27 | 9 | 7 | 11 | 39 | 48 | -9 | 34 |
| 12 | Augsburg | 27 | 8 | 6 | 13 | 40 | 54 | -14 | 30 |
| 13 | 1. FC Union Berlin | 27 | 9 | 3 | 15 | 32 | 47 | -15 | 30 |
| 14 | Eintracht Frankfurt | 26 | 8 | 4 | 14 | 41 | 49 | -8 | 28 |
| 15 | Mainz 05 | 27 | 8 | 3 | 16 | 36 | 60 | -24 | 27 |
| 16 | Fortuna Düsseldorf | 27 | 5 | 9 | 13 | 29 | 52 | -23 | 24 |
| 17 | Werder Bremen | 26 | 5 | 6 | 15 | 29 | 59 | -30 | 21 |
| 18 | SC Paderborn 07 | 27 | 4 | 6 | 17 | 31 | 55 | -24 | 18 |

# ন্যু দিল্লিগী জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়ম অমসুং নেসনল ষ্টেদিয়মদা সাইনা শান্নবগী থবক হৌহনখ্রে



ন্যু দিল্লি, মে ২৬ (এজেন্সী):

স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা ঙসিদগী হৌরগা ন্যু দিল্লিগী জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়ম অমসুং মেজর ধ্যানচান্দ নেসনল ষ্টেদিয়মদা শান্নবগী থবক থৌরমশিং চথবা হৌহনখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা লৈবা ষ্টেদিয়ম মঙাগী মনুংদা লৈঙাক্না পীরকপা অয়াবগী মতুংইন্না আউটদোর স্পোর্টসকী মশান্নশিং অদু তাঙ্কক নাইনা জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়ম অমসুং মেজর ধ্যানচান্দ নেসনল ষ্টেদিয়মদা নুংথিলগী মতমদা পুং অমমমগী ওইবা তাঙ্কক্তা শান্নবা য়াহনখিবনি।

হায়রিবা ষ্টেদিয়ম অনী অসিদা শান্ননীংবা শান্নরোয়শিংনা মাঙজৌননা ওনলাইনদা বুক তৌগদবনি হায়না স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

মখা তানা ন্যু দিল্লিদা লৈবা ইন্দিরা গান্ধী ষ্টেদিয়ম অমসুং কার্নি সিংহ শুটিং রেঞ্জদসু চয়োল অসিগী মনুংদা শান্নরোয়শিং চঙহন্দুনা শান্নবা য়াহনগদৌরি।

থা অসিগী ৩১দা লোইগদৌরিবা মরিরকশুবা তাঙ্ককী লোকদাউন অসিগী মনুংদা ন্যু দিল্লিদা লৈবা শ্যামা প্রসাদ মুখর্জি স্বিমিং কমপ্লেক্সতি হাংদোকখিরোই হায়রি।

শান্নরোয়শিংনা শীজিন্নবা য়াগদৌরিবা ষ্টেদিয়মশিং অসিদা অকূপ্পা চৎন-কাঙলোনশিং অদু ষ্টেদিয়মগী এদমিনিষ্ট্রেটরগী খূত্থাংদা ফংহনগদৌরি। লৈঙাক্না পীবা হেল্থ এন্দ হায়জিনগী চৎন-কাঙলোনশিং অদু অশোয়বা য়াওদনা শান্নরোয়শিংনা ইন্নবা সাইগী মায়কৈদগী চেরোল অসিনা মখা তারি।

জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা আর্চরি, টেবল টেনিস, বেদমিন্টন অমসুং লোন টেনিস মশান্নশিং অসিদা শান্নরোয়শিংনা শান্নবা য়াহনখিবনি।

অমরোমদা, মেজর ধ্যানচান্দ নেসনল ষ্টেদিয়মদা লৈরিবা শান্নবগী ফেসিলিটিশিং অদু য়েংলগা শান্নরোয়শিংনা ত্রেনিং নৎত্রগা প্রেক্টিশ মেচশিং অদু শান্নবা য়াহনগদৌরি।

সাইগী চেরোল অসিনা মখা তারদুনা ষ্টেদিয়মশিং অসিদা শান্নরোয় মশেল অমগা অমগা থেংনহন্দবা অমদি য়ারিবমখৈ শান্নবগী পোৎলমশিং অদুসু ৱায়নদবগী ফীভমদা শান্নরোয়শিং চঙবা য়াহনবনি।

লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পীরকপা সোসল দিষ্টেন্সিং অমসুং হায়জিনগী মতাংদা লৈরিবা চৎন-কাঙলোনশিং অসি মুন্না ইন্দুনা শান্নবগী মফম লৈরিবশিং অসিগী চাদা ৫০দি শীজিন্নবা য়াহনগদৌরিবনি।

ষ্টেদিয়মশিং অসি শান্নরোয়শিং চঙলক্ত্রিঙৈ মাঙওইননা দিসইনফেক্ট তৌখ্রবনি। লোয়ননা সেনিটাইজেসনগী লম্‌দসু চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা লোইখ্রবনি। হায়রিবা খোঙথাংশিং অসি লৈঙাক্কী চৎন-কাঙলোনগী মতুংইন্না পাঙথোকপনি।

ষ্টেদিয়মগী চঙফমদা লাক্কদৌরিবা শান্নরোয়শিং অমদি মমা-মপাশিং অদুসু থর্মেল চোক তৌরবা মতুং হেন্না সেনিটাইজেসন তৌহল্লি। লোয়ননা মাস্ক উপ্পগী তঙাইফদবা অদু চঙলক্লিবা খুদিংমক্তা লৈহল্লি।

স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা থোকখিবা চেরোল অসিগী মতুংইন্না মশাগী চহী ১০দগী হেল্লবা শান্নরোয়শিংনা শান্নবদা অয়াবা পীরিবনি। হায়রিবা কাঙলোন অসি ইন্দিয়া লৈঙাক্না লাউথোকখিবা এদভাইজরি অদুগী মতুংইন্না পায়খৎলকপনি।

ন্যু দিল্লিগী ষ্টেদিয়মশিং অসিদা লৈবাক্কী ওইনা অহানবা খোঙথাং ওইনা ষ্টেদিয়ম অনী হাংদোকপা য়াহনবনি। অতোপ্পা মফমশিংদসু হাংদোক্লগনি হায়রি।



HL/B/6099/23 April to ...

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com